# ‘মণিপুর ইন্টিগ্রিটি দে’গী থৌরম পাঙথোকখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, আগষ্ট ৪ ঃ* মনিপুরগী ঙমখৈদা শীংনরকপবু মায়োক্লন্দুনা মনিপুর মীয়াম্না হৌখিবা ইহৌবু নীংশিংদুনা ঙসি ১৫ শুবা ‘মনিপুর ইন্টিগ্রিটি দে’ মনিপুর ড্রামাতিক য়ুনিয়নগী হোলদা ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওরগেনাইজেসন (অমুকো) না শিন্দুনা পাংথোকখ্রে।

এম দি য়ুদা থৌরম পাংথোক্ত্রিঙৈদা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুং মমাঙদা লৈবা মনিপুর ইন্টিগ্রিটি পিল্লরদা ইরাবোত ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম ইবোয়াইমানা লুচিংদুনা মনিপুরগী মীয়াম্না লৈ-শু কত্তুনা মনিপুরগী ঙমখৈগী ইহৌদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংদা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদু অমুকোগী প্রসিদেন্ট কে টি রহমন্না প্রিসাইদ তৌদুনা হৌদোকখি। লোয়ননা ইরাবোত ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম ইবোয়াইমা, কবুই মাদর্রস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ককোমলুংলু কামৈ, ওল মনিপুর মুস্লিম কো- ওর্দিনেতিং কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট এম দি কিয়াম্মুদ্দিন, কুকি মাদর্রস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট রোজমাংশি অমসুং পোইরৈ লৈমরোল অপুনবা মৈরা পাইবী লুপকী প্রসিদেন্ট ইমা মেমচৌবীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ইনভাইতিশিংনা ফোংদোক্লখিবা ৱাফম পল্লদুনা অমুকোগী প্রসিদেন্টনা হায়খি, মদুদি মনিপুরগী তম্পাক খত্তদা ওর্গেনাইজেসন খরা পুনশিল্লগা মনিপুরগী ঙমখৈ কন্ননবা খন্নরিবা ৱাফম অসিগী মথক্তা চীংগী লমদা চত্তুনা চীংদা লৈরিবা ওর্গেনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নরগা মনিপুর ইন্টিগ্রিটি দে পালন তৌন্ননবা হোৎনরগনি।

মসিনা মনিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্লবা হোৎনবদা হেন্না মপুং ফানা থবক পাইখৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু থমখি। হৌজিক ওইরিবা মনিপুর ঙমখৈগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না মখা তাখি, মনিপুরগী ঙমখৈ করিগুম্বা তানফম অমত্তদা কায়বা শুকয়া য়ারোই। এন এস সি এন (আই এম) অমসুং ভারত সরকার অনিগী মরক্তা চত্থরিবা শান্তিগী ৱারি, শুপ্রা ষ্টেট বোদি শেম্বা নত্ত্রগা অলতরনেটিব এরেঞ্জমেন্ট তৌবা পুম্নমক মনিপুর মীয়ামগী মায়োক্তনি হায়বা খংবগা লোয়ননা মনিপুর মীয়াম্না শুংয়া য়াবা ঙম্লোই হায়খি। সিজ ফায়ারগী মরুমদা এন এস সি এন না নাগালেন্দা ফাওবা মনিপুরগী পুকচাক পুরকপা গাড়িশিংদা মখল মখা কয়াগী অৱাবা পীবা অসি মনিপুর প্রজাদা ওন্সিন্দুনা ওৎপনি। মসি মনিপুর প্রজানা য়ানিংদে। হায়রিবা ৱাফম অসিসু মনিপুর সরকার অমসুং ভারত সরকারনা য়েংদুনা তুমিন লৈশিনবসু চুম্লোই।

মনিপুর কায়ননবা লুপ খরনা কোয়চোং চোংদুনা শিল্লিবা ভারত সরকারগা লোয়নবা অরোনবা ৱাফম মনিপুর প্রজানা খংই অমসুং মদু য়ানিংদে হায়বসি মখোয়না ময়েক শেংনা খংগদবনি।

অমুকোনা মনিপুর ঙমখৈগীদমক মায়োক্লন্দুনা লাক্লি । মনিপুর ঙমখৈদা শিংনরকপা কয়াবু লমদম অসিদা লৈরিবা জাতি কাংলুপ খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা পুন্সিন্দুনা লিংজেল মান্নবা সমাজ অমা শেম্বগা লোয়ননা মনিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্লনবা চঙশিনমীনরসি হায়নসু অমুকোগী প্রসিদেন্ট অসিনা অপিলসু তৌখি।

হৌজিক মনিপুরগী প্রজাশিংগী মায়োক্তা ফোংনা ভারত সরকার অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনিনা মনিপুরগী ঙমখৈ থুগাইনবা হোৎনরক্লিবা অসিদা ঐখোয় তুমিন্না লৈথোকপগী মতম ওইদ্রে হায়না ইরাবোত ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবোয়াইমনা ফোংদোকখি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা ইন্টিগ্রিটিগী থৌরম অসিগী পান্দমদি, মনিপুরগী ঙমখৈবু থুগাইনবা মায়কৈ কয়াদগী শাফু কয়াশু লাকসনু, কাংলুপ মশেলগী মরক্তা শিংচেপ কয়াসু থারকসনু ঈ মশেলগী মরক্তা হাৎন-শুননবা কয়াসু শিল্লকসনু পুম্নমক মনিপুরদা লৈমিন্নরিবা প্রজা কাংলুপ খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা পুন্সিন্নদুনা খুদিংমক থেংনমীন্নরসি হায়বগী খোঙথাংনি লোয়ননা কাংলুপ নায়বা ৱাখল্লোনগী মায়োক্তা মীয়ামগী অপুনবা লীচিং শাগৎমীন্নসি হায়না অমুকোগী সেক্রেটরি ওর্গেনাইজেসন এন সি মোধুচন্দ্রনা ফোংদোকখি।

য়ুনাইতেদ কম্মিতি মনিপুর (য়ু সি এম) গী প্রসিদেন্ট ৱাই নবানা মনিপুরগী ঙমখৈ শুংকাই কাইরোই হায়বগী থাজবা থম্বগা লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওই কাংলুপ খুদিংমক্না অমত্তা ওইবা ৱাখলদা করি থবক পায়খত্তুনা মনিপুরগী ঙমখৈ কনন্নবা হোৎনসিগে হায়বা খন্নমিনসি হায়না অপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা ইনভাইতিজ ওইনা ৱা ঙাংখিবশিংনা, মনিপুরগী ঙমখৈদা শিংনরকপা খুদিংমক পুন্না থেংনমিন্নশি , কাংলুপ মশেলগী মরক্তা ঐগী ঐগী হায়বা ৱাখল্লোন থাদোক্লরগা নুংশি চান্নরা শিংনরক্লিবা মনিপুরগী ঙমখৈ ঙাকমিন্নশি, ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লীংজেল মান্ননা লৈমীন্নরবদি কনাগুম্বা অমত্তনা ঐখোয়দা শিংনরকপা ঙম্লোই মরম অদুনা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুন্সিনবা মথৌ তাই হায়খি।